# সাস্ত্র সিমা বন, সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স মায় পাকখ্রে, টামিলনাদু পুলিস অমসুং সেন্ট্রেল সেক্রেটরিয়েট দ্রো চৎখ্রে

**ন্যু দেল্লি, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী):** হোক্কি ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা লৈবাক অসিগী কোনুং ন্যু দেল্লিদা পাঙথোক্লিবা ৫ রক শুবা হোক্কি ইন্দিয়া সিনিয়র ৱিমেন ইন্টর দিপার্টমেন্ট নেশনল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান তোঙানবা মেটচশিংদা সাস্ত্র সিমা বন (এস এস বি)না য়ুকো বেঙ্ক ৱিমেন্স হোক্কি এদাদেমী অদুগা সেন্ট্রেল রিজার্ব পুলিস ফোর্স (সী আর পি এফ)না স্পোর্টস ওথোরিটি ওফ গুজরাট-হোক্কি একাদেমী মায়থীবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদনা টামিলনাদু পুলিস অমসুং সেন্ট্রেল সেক্রেটরিয়েট দ্রো চৎখ্রে।




পুল সীগী ওইনা এস এস বি অমসুং য়ুকো বেঙ্ক অনীগী মরক্তা মেটচ শান্নবা হৌখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী এস এস বিগী শান্নরোয়শিংনা লাকচনা শান্নবা ঙমখিবগা লোয়ননা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা এস এস বিনা য়ুকো বেঙ্ক ৱিমেন্স হোক্কি একাদেমীবু পাঞ্জল ১০-২দা লাকচনা থোইবা ঙমখ্রে। এস এস বিগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ৯, ৪১, ৪৭ শুবা মিনটতা মনিসানা অহুম, ৩৯, ৫৬ শুবা মিনটতা রোসনি দুংদুংনা অনী অদুগা ২১, ২৩, ২৫, ৫৬, ৫৭শুবা মিনটতা মথংশিংনা প্রিটি সিংহ, প্রিটি, সোনিয়া, রঞ্জিতা মিন্স অমসুং মুক্তা মুন্দুনা অমমম চনখিবনি। অদুগা য়ুকো বেঙ্ককী বেঙ্ককী পাঞ্জল অনী অদুনা মেটচ অদুগী ৩০ অমসুং ৫২ শুবা মিনটতা কিরতি অমসুং কেপ্টেন অনকিতা দহিয়ানা অমমম চনখিবনি।

পুল এগী ওইনা টামিলনাদু অমসুং সেন্ট্রেল সেক্রেটরিয়েটকী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা অমনা অমবু লাকচনা কন্ট্রোল তৌদুনা শান্ননবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙমখিদে। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্কা পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি।

টামিলনাদু পুলিসকী পাঞ্জল অনী অদু মেটচ অদুগী ৮শুবা মিনটতা হুনকোদি অমসুং ননধিনি টিনা অমমম চনখিবনি। অদুগা সেন্ট্রেল সেক্রেটরিয়েটকী পাঞ্জল অনী অদুনা ১০ অমসুং ৬৮ শুবা মিনটতা টিম কেপ্টেন রিটিকা সিংহনা চনখিবনি।

অমরোমদা, পুল বিগী ওইনা সী আর পি এফ অমসুং সাই গুজরাট হোক্কি একাদেমীগী মরক্তা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুগী ওইনা সী আর পি এফকী শান্নরোয়শিংনা লাকচনা শান্নবা ঙমখি। মদুনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবসু মশিং হেন্না ফংবা ঙমখি। অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা সী আর পি এফনা সাই গুজরাট হোক্কি একাদেমীদগী পাঞ্জল ৫-০দা মাঙজিল থারগা লৈবা ঙমখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু সী আর পি এফকী শান্নরোয়শিংনা মখা তানা বোল হেন্না পায়দুনা লাকচনা অদুম্মক শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা সী আর পি এফনা পাঞ্জল ৯-০দা সাই গুজরাট হোক্কি একাদেমীবু মায়থীবা পীরমখিবনি। সী আর পি এফকী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ১৬, ১৯, ২৩, ৪৫ শুবা মিনটতা বি সুসমা কুমারিনা মরি, ৩২, ৫০ শুবা মিনটতা পিঙ্কি একানা অনী অদুগা ২০, ২৭, ৫৯ শুবা মিনটতা মথংশিংনা ইতাৱারি মুন্দু, মঞ্জু পিয়ারি টোক্কো অমদি পুজা যাদবনা অমমম চনখিবনি।

# কে ৱাই দব্লিয়ু এ সী অমসুং অকসা অমদি য়ু বি এস এ অমসুং পি এফ সী তোকপাচীং দ্রো চৎখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) ককচিংনা শীন্দুনা এসোসিএশন অসিগী প্লেগ্রাউন্দদা হৌজিক হৌজিক চথরিবা ২১ রক শুবা কে এস ঐচ কিশ্বরকুমার মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ টুর্নামেন্ট ২০২৫গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা অমদি অনীশুবা গ্রাউন্দগী লিগ মেটচ অনীমক দ্রো চৎখ্রে।



তোঙান তোঙানবা টিম ১১না কাঙলুপ অনী থোক্লা খায়দোক্লগা চথরিবা ফুটবোল লিগ অসিগী অহানবা গ্রাউন্দগী ৬ শুবা লিগ মেটচতা কে ৱাই দব্লিয়ু এ সী কদাজিৎ অমসুং অকসা ককচিং খুনৌগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীনা পাঞ্জল ২-২দা মান্ননা লৈবা ঙমখি। কে ৱাই দব্লিয়ু এ সীগী পাঞ্জল অনী অদুনা ৪ অমসুং অহানবা হাফকী ইঞ্জ্যুরি টাইমদা গৌরচন্দ্র অমসুং য়াইফবনা অমমম চনখিবনি। অদুগা অকসা ককচিং খুনৌগী পাঞ্জল অদুনা ২৪ অমসুং ৩৮ শুবা মিনটতা রাজেশ অমসুং রোসননা চনখিবনি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা মখা তানা পাঞ্জল ১-১ চনবা ঙম্নখিবগা লোয়ননা মেটচ অদু পাঞ্জল ৩-৩দা দ্রো চৎখিবনি। অনীশুবা হাফকী পাঞ্জলশিং অদু কে ৱাই দব্লিয়ু এ সীগী ওইনা ৫৪ শুবা মিনটতা কাইকুনা অদুগা অকসাগী পাঞ্জল অদুনা ৪৮ শুবা মিনটতা টি ঐচ রোসননা অমমম চনখিবনি।

ঙসি অনীশুবা গ্রাউন্দগী ৭শুবা লিগ মেটচতা য়ু বি এস এ মন্তক অমসুং পি এফ সী তোকপাচীংগী মরক্তা লম্বা তৌনখি। টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনসু হৌগৎলকপদগী নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখি। টিম অনীমক্কা মেটচ অদু মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক মখোয় মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্তুনা শান্নখি। নাকল অনীমক্কা পাঞ্জল চনবা য়াবা কাউন্টর এটেকশিং চথদুনা শান্নরবসু হৈশিংলবা টিম অনীমক্কী গোল কিপরনা পাঞ্জল চনবা য়াবগী খুদোংচাবশিং ফংহনখিদে। মদুনা মরম ওইরগা অহানবা হাফ লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্কা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নখিবা অদুগী ওইনসু নাকল অনীমক্কা অদুম্মক হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্নদনা লৈখি। নাকল অনীমক্কা অকনবা মওংদা লম্বা তৌনখিবা মেটচ অদুগী ৮২ শুবা মিনট য়ু বি এস এ মন্তকনা অহানবা পাঞ্জল চনবা ঙমখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী শান্নরোয় জোসেফ কোমনা চনখিবনি। মেটচ লোইরমদাইদা য়ু বি এস এনা চনখিবা পাঞ্জল অদুনা পি এফ সীগী শান্নরোয়শিংদা প্রেসর লৈহনখি। অদুমওইনমক পি এফ সীগী শান্নরোয়শিংনা হৈনা শিংনা শান্নদুনা মেটচ অদুগী ৮৭ শুবা মিনটতা ইক্কেলাইজর ওইরিবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখিবগা লোয়ননা মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্কা পাঞ্জল অমমম চন্নদুনা দ্রো চৎখিবনি। পি এফ সীগী পাঞ্জল অদু মোটিলালনা চনখিবনি।

# কে ৱাই সী মায় পাকখ্রে, এস কে ৱাই সী অমসুং এস ও ৱাই ও দ্রো চৎখ্রে

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):** ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুং চনবা পাৎশোই পার্ট ২দা লৈবা পময়াল গ্রাউন্দদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ)না শীন্দুনা থা অসিগী ২৯দগী হৌদুনা চথখিবা ৩০ রক শুবা এল শঙ্গিতা দেবী মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫-২৬কী ওইনা ঙসি শান্নখিবা মেটচশিংদা কে ৱাই সী মায় পাকখ্রে, এস কে ৱাই সী অমসুং এস ও ৱাই ও দ্রো চৎখ্রে।



আই দব্লিয়ু দি এফ এগী মখাদা লৈবা তোঙান তোঙানবা টিম ৭না শরুক য়ারগা চথরিবা ফুটবোল লিগ অসিগী ঙসি অহানবা গ্রাউন্দগী শান্নখিবা ৫ শুবা লিগ মেটচতা কে ৱাই সী না বি এম এস সীবু মায়থীবা পীরমখিবনি। টিম অনীগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা কে ৱাই সীনা বি এম এস সীবু পাঞ্জল ২-১দা মায়থীবা পীরমখিবনি। মেটচ অদুদা কে ৱাই সী টিমগী মায়কৈদগী মায় পাকপগী পাঞ্জল অনী অদু ১৭ অমসুং ১৯ শুবা মিনটতা মথংশিংনা ইমান্যুএল অমদি অর্জুননা অমমম চনখিবনি।

অমরোমদা, এস কে ৱাই সী অমসুং এস ও ৱাই ওগী মরক্তা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা নাকল অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা বোল পায়বগী চাং মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা টিম অনীমক্কা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো চৎখিবনি।

# লাইসেন্স গন শীজিন্নরিবা মীওইশিংগী টুর্নামেন্ট পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ১১ অমদি ১২দা লমদম অসিদা লৈরিবা লাইসেন্স গন শীজিন্নরিবা মীওইশিংগী ওইবা টুর্নামেন্ট অমা পাঙথোক্লগনি হায়না মণিপুর মার্ক্সমেনগী প্রসিদেন্ট এন রনবিরনা ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মেজোর খুলদা লৈবা মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা এন রনবিরনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মখা তানা হায়, লাইসেন্স গন শীজিন্নবা মীওইশিংগী ওইনা ক্লব অসিনা লমদম অসিদা লৈরিবা লাইসেন্স গন শীজিন্নরিবশিংগী মরক্তা নোংমৈ শীজিন্নবগী মপুং ফাবা চৎনা কাঙলোনশিং অমদি তৌগদবা তৌরোইদবা কয়া পুন্না খঙমীন্ননবা অমদি শুটিং মশান্নদসু হেন্না মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা শীনবা টুর্নামেন্ট অমনি।

মণিপুর রাইফলস এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা তাওথোংদা লৈবা শুটিং রেঞ্জদা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা স্পেসল ট্রেনিং কোর্স অমসুং হাপকনি। লমদম অসিগী লাইসেন্স পায়রিবা মীয়াম্না হায়রিবা নুমিৎ নীনি চুপ্পা পাঙথোক্কদৌরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়াদুনা মপুং ফাবা টুর্নামেন্ট অমা ওইহন্নবা মীয়ামগী পুক্নিং চীংশিনখি।

টুর্নামেন্ট অসি লমদম অসিদা পাঙথোকপগী তঙায়ফদবা চাওনা লৈ মরমদি হৌজিক্কী মতমদা লাইসেন্স গন পায়বগী মীগী মশিং হেনগৎলক্লি। মখোয়বু মতৌ করম্না লাইসেন্স গন শীজিন্নহনগদগে হায়বগী মতাংদা মরুওইনা টুর্নামেন্ট অসি পাঙথোকপনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# টি ৱাই দি এ তৌবুলনা য়ু এফ সী বিষ্ণুপুর থোইরগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):** দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন (দি এস এ) বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা দি এস এ বিষ্ণুপুরগী মীনি ষ্টেদিয়মদা হৌজিক চথরিবা অহানবা য়ুম্নাম মনাও (সিনাবা) মেমোরিএল ফর্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগ ২০২৫ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা টি ৱাই দি এ তৌবুলনা য়ু এফ সী বিষ্ণুপুর মায়থীবা পীরম্লগা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রে।

মমাঙ থাগী ১৫দগী হৌরগা দিষ্ট্রিক্ট স্পোর্টস এসোসিএশন বিষ্ণুপুরনা শীন্দুনা তোঙান তোঙানবা টিম ৯না কাঙলুপ অনী খায়দোক্তুনা চথরক্লিবা ফুটবোল লিগ অসিগী ঙসি অরোয়বা নুমিৎতা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা টি ৱাই দি এ তৌবুলনা য়ু এফ সী বিষ্ণুপুরবু পাঞ্জল ২-১দা থোইরগা ৱিন্নরগী টাইটল লৌবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়ন ওইখ্রবা টি ৱাই দি এ তৌবুলগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচ অদুগী ২৩ অমসুং ৫৭ শুবা মিনটতা কে রবিকান্ত অমদি এন বোকুলনা মথংশিংনা অমমম চনখিবনি। লোয়ননা মেটচ অদুদা লাইবক থীবগী মায়থীহৌরগা য়ু এফ সী টিমগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদুনা অহানবা হাফকী শান্নবা হৌগৎলকপা ৪ শুবা মিনটতা নামসিনলুং কেনা চনখিবনি।

ঙসি টুর্নামেন্ট লোইশিনবগী থৌরম অদুদা সোসল এক্টিভিষ্ট আর কে সনায়াইমা, দি এস এ বিষ্ণুপুরগী প্রসিদেন্ট এল নবা অমদি সোসল এক্টিভিষ্ট মাইবম সরতনা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াদুনা টিম চেম্পিয়ন ওইখ্রবা টি ৱাই বি এ তৌবুলদা কেস এৱার্দ ওইনা লুপা লিশিং ১৫ অমদি ট্রোফি খুৎশীন্নখি।

# চহী ১৯ মখা নুপামচাগী ক্বার্টর ফাইনেল লাইন অপ তৌবা লোইখ্রে




**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):** মণিপুর টেবল টেনিস এসোসিএশনগী মীৎয়েং মখাদা দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেনিস ইম্ফাল ইষ্টনা শীন্দুনা ঙরাংদগী হৌরগা ধনমঞ্জুরি য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা লৈবা ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা চথরিবা ৩৭ রক শুবা দিষ্ট্রিক্ট ইন্টর ক্লব অমদি ষ্টেট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেনিস চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫গী চহী ১৯ মখাগী নুপামচাগী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংগীদমক লাইন অপ তৌবা লোইখ্রে।

থা অসিগী ৫ ফাওবা চথুগদবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী ঙসি নীনি চনবা নুমিৎকী চহী ১৯ মখাগী ওইনা গ্রুপ মরি থোক্লা খায়দোক্তুনা শান্নখিবগা লোয়ননা গ্রুপ এগীদা থৌবালগী পুর্নচন্দ্র য়েঙ্খোম অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্তদগী সী ঐচ ক্লিন্টন অনীনা মকোক মথং তারগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখি।

চহী কাঙলুপ অসিগী গ্রুপ বিগী ওইনা ইম্ফাল ইষ্টকী কে এস ঐচ নেলসন অমদি থৌবালগী বি উমেসনা মকোক মথং তারগা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক শেম শাবা লোইখ্রে। গ্রুপ সীগী ওইনা থৌবালদগী সনাথোই মৈতৈ অমদি ইম্ফাল ইষ্টকী টি ঐচ বুরসন অনীনা গ্রুপকী ৱিন্নর অমদি রন্নর ওইরগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে। লোয়ননা চহী ১৯ মখা নুপামচা কাঙলুপ অসিগী গ্রুপ দিগী ওইনা থৌবালদগী লমজিংবা লৈতাঙ্খেম অমদি দিষ্ট্রিক্ট অসিমক্তদগী হেমজিৎ শগোলসেমনা মথংশিংনা গ্রুপ অদুগী ৱিন্নর অমদি রন্নর্স অপ তারগা ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট ৬ অমদি ইন্দিভিজুএল টিম অনী য়াওরগা পুন্না টিম ৮না শরুক য়ারি। হায়রিবা টিম ৮ অসিদগী পুন্না শান্নরোয় নুপামচা ১৪০ অমদি নুপীমচা শান্নরোয় ৫২ পুন্না শান্নরোয় ১৯২না অথোয় অহেন চাংদম্নগদৌরি।

# ওষ্ট্রেলিয়া টুরগী অরোয়বা মেটচতা ইন্দিয়া কেনবেরা চিলগী মখুৎতা পাঞ্জল ৪-৫দা মায়থীবা নঙহৌরে

**কেনবেরা, ওক্টোবর ০২ (এজেন্সী):** ওষ্ট্রেলিয়া টুরদা হৌজিক হৌজিক লৈরিবা ইন্দিয়ান জুনিয়র ৱিমেন্স হোক্কি টিমগী খোঙচৎ ঙসি লোইশিনখিবগা লোয়ননা লোইশিনবা নুমিৎতা শান্নখিবা অরোয়বা মেটচতা ওষ্ট্রেলিয়াগী লোকেল কেনবেরা চিলনা ইন্দিয়ান জুনিয়র ৱিমেন্স হোক্কি টিমবু পাঞ্জল ৫-৪দা থোইবা ঙমখ্রে।



ঙসি টিম অনীগী মরক্তা শান্নখিবা মেটচ অদুগী ওইনা হৌগৎলকপদগী টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা চাংচৎতা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখি। নাকল অনীমক্কা হৈশিংবা মান্ননা শান্নবা ঙমখিবনা মরম ওইরগা পাঞ্জল চন্নবা হোৎনখিবশিং মায় পাকপা ঙম্নখিদে। ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী শান্নরোয়শিংনা মায় পাকপা ঙম্নবগীদমক মখোয়গী হৈশিংবশিং মপুং ফানা উথোক্তুনা শান্নখি। অদুমওইনমক মেটচকী অপীবা অরোয়বা মতম ফাওবদা কেনবেরা চিলনা পাঞ্জল ৫-৪দা য়াম্না ৱানা ইন্দিয়া টিমবু মায়থীবা পীরমখিবগীনি। ইন্দিয়াগী পাঞ্জলশিং অদু মেটচকী ৬, ৪২, ৫৪ অমসুং ৫৭ শুবা মিনটতা মথংশিংনা সুগবির কোর, কনিকা সিৱাস, সুনেলিতা টোপো অমসুং ইসিকানা চনখিবনি। অদুগা কেনবেরা চিলগী পাঞ্জলশিং অদুনা কেনহেস লোরেন্ট য়িনা অনী, জেসি লোটন, হন্টর বোরৱিন অমসুং অমুকাতোনা মথংশিংনা অমমম চনবা ঙমখিবনি।

# মেনেজরশিংগী মীটিং পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ১৯ (ঐচ এন এস):** ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএশননা শীন্দুনা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ রক শুবা মণিপুর ষ্টেট লিগ ২০২৫-২৬কী ওইনা শরুক য়াগদৌরিবা টিমশিংগী মেনেজরশিংগী ওইবা মীফম অমা থা অসিগী ১২গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা আর্টিফিসিএল টর্ফ গ্রাউন্দ লম্লোং থোংখোঙদা পাঙথোক্লগনি হায়না অস্ফাগী চেরোল অমনা হায়রি।





# ত্রায়ল কম কোচিং প্রোগ্রাম পাঙথোক্লগনি

**ইম্ফাল, ওক্টোবর ০২ (ঐচ এন এস):** থা অসিগী ২৫দগী হৌরগা ২৯ ফাওবা অগ্রাদা লৈবা বোস্টোন পব্লিক স্কুলদা পাঙথোক্কদৌরিবা ১৮ লক শুবা সব জুনিয়র নেশনল রোলবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা শরুক য়ানবা মণিপুরগী চহী ১৪ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা টিম শেম্নবগীদমক ত্রায়ল কম কোচিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোক্লগনি।

হায়রিবা ত্রায়ল কম কোচিং প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়ানিংবা চহী ১৪ মখাগী নুপামচা অমসুং নুপীমচা শান্নরোয়শিংনা থা অসিগী ৩দগী ৬ ফাওবগী মনুংদা ইম্ফাল ইষ্টকী অকাম্পাৎতা লৈবা নৈলিট হোলদা অয়ুক পুং ৬ তাবা মতমদা লাকপা য়াগনি। লোয়ননা শান্নরোয়শিংনা লাকপা মতমদা মশাগী অধার কার্দ লোয়নরক্কদবনি হায়রি।

## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1610**

IM Emin Ohanyan (2460) - GM Dommaraju Gukesh (2736)
chess.com Junior Speed chess.com INT, 2023.06.13

| | | | | |
|---|---|---|---|---|
| 1.e4 c5 | 2.Nf3 d6 | 3.d4 cxd4 | 4.Nxd4 Nf6 | 5.Nc3 g6 |
| 6.Be3 Bg7 | 7.f3 O-O | 8.Qd2 Nc6 | 9.O-O-O d5 | 10.exd5 Nxd5 |
| 11.Nxc6 bxc6 | 12.Bd4 e5 | 13.Bc5 Be6 | 14.Ne4 Qc7 | 15.h4 Rfd8 |
| 16.h5 Nf4 | 17.Bd6 Qb6 | 18.hxg6 fxg6 | 19.g3 Nd5 | 20.Bc4 Bf7 |
| 21.Bc5 Qc7 | 22.Rxh7 Kxh7 | 23.Rh1+ Kg8 | 24.Qh2 Ne7 | 25. ... |

**QUESTION : White to win**

**Puzzle 1609 Solution :**

**18. Qxh8+** *The white queen deflects Black's queen away from protecting the square f7, the pawn and the square e7.* **Qxh8 19.Nf7+ Kc7 20.Bxf4+ d6**
*20...Qe5 21.Bxe5+*
**21. Bxd6+ Kd7 22. Re7#** *Swallow's tail mate*
**1-0**

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com